ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ০১, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৪৩শুবা মশীং

## লম্বীদা লুহোংবা, শোরাৎ শোনবা

### তঙাইফদবা থৌরমশিংনি, মীয়ামগীসু খলহন্নীংই

‘লম্বী’ হায়বসি অহানবা হৌরকপদা ‘লম + পী’ হায়বদি মীয়ামগীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌননবা পীবা লম (লম্পী) দগী থৈথরক্লগা লম্বী হায়না খঙনরকখিবনি হায়বগী ৱাফম অহল-লমনশিংনা ফোঙদোকই। অদুগা হৌজিক্কী সাইন্সকী লম্‌দা খম থেংনা চাওখৎলবা ফাওবদা লম্বীগী মরু ওইবা অমসুং মসিগী কান্নবশিংগী চাংদি হন্থরকপা লৈত্রি। মতমগী মতুংইন্না লম্বীগী মখল খরসু চোংথোরক্লি। খুদম ওইনা নোংথক্কী লম্বী, ঈশিং লম্বীনচিংবসু থোরক্তুনা মীওইবনা তঙাইফদনা শীজিন্নরি। চাওখৎপগী থাক পন্দোম লোন্নবসু লম্বীনা মফম অমগা অমগদা লৈবা মীওইশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নহনবা ঙম্বদা নত্তনা খুমাঙ য়াঙনা চঙশিল্লক্লিবা চাওখৎ মায়কৈদা অচৌবা মতেং পাংলি। ইশম-শম্বদা লম্বীগী মরু ওইবা অমসুং কান্নবা পীক থন্না লৈরি। অদুবু পীকখ্রবা মণিপুরদা লৈরিবা মপূং ফানা অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈবগুম্না পাক্তবা অমসুং ফীভম ফত্তবা লম্বীশিংদা য়াম্না তোয়না থিংজিন্দুনা তঙাইফদবা মণিপুরী খুন্নাইগী লাইনীংগা মরী লৈনবা থবকশিংসু ওইরিবা লুহোংবা অমসুং শোরাৎ য়াওনা অতে থৌরম কয়া পাঙথোক্নরক্লিবা অসিগী মতাংদদি মীৎয়েং চঙফম থোক্লে হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাহে ওইগদবা মান্দে। হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা লম্বীশিং অসি নেসনল হায়ৱেগী থাক্তা লৈরিবশিং মশীং য়ামদে। মশীং খরা য়াম্না ষ্টেট হায়ৱে, ইন্টর ভিলেজ রোদনচিংবা লৈরবসু চপ চাবা লম্বী অমগী ওইফম থোকপা মশক ওইহনবা ঙমদ্রিবনি। তাঞ্জাসিদা তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা লুহোং-খোঙদোংবা অমসুং শোরাৎনচিংবগী থৌরমশিং পাঙথোক্নরকপদা মনাক নক্লা কম্ম্যুনিতি হোল নৎত্রগা মান্দব নৎত্রগনা লম্পাক্লচিংবা লৈরবসু মফমশিং অসিবু নাথৈরম্লগা লম্বীগী মপান্দা লৈরিবা মীওই খরনা থৌরমশিং অসি লম্বী তঙ্খাই ফাওবা থিংজিন্দুনা থম্লগা পাঙথোক্লবগী চৎনবী অমা লৈরকপগুম তৌই।

হায়রিবা থৌরমশিং অসি নুমিৎ কয়ানি চূপ্পা চখরকপদি নত্তে। অদুম ওইনমক লুহোং-খোঙদোংবগী ওইরগনা হৈজিং-খরাই পুবদগী হৌরগা লুহোংবা ফাওবা চখনবা য়াওই। তঙাইফদনা মঙানি চাক্লৌবা ফাওবা লম্বী থৎচিন্দুনা থম্লগা মান্দব খন্দুনা মীয়ামদা অয়েৎপা পী। শোরাৎ ওইরগনা মঙানি লৈহুন তম্বদগী হৌরগা লান্ন-থৌরম ফাওবদা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবা লম্বী থৎচিন্দুনা খুদোং চাদবা মায়োক্লহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা চৎনবী অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। মরমদি তঙাইমক ফদনা মশাগী থৌরম পাঙথোকফম শুমাং লৈজদবা ওইরবা ফাওবদা মীয়াম তিনবা য়াবা, মতিক চাবা মফম লৈবা হোটেলনচিংবদা পাঙথোক্লবসু য়াই। লম্বী থৎচিন্দুনা হায়রিবা থৌরমশিং অসি পাঙথোক্নরকপদা শোয়দনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী অয়াবসু লৌরমগদবা মাল্লি। মসি ওইরগসু অয়াবা লৌবা লাকপদা হায়রক্লিবা ৱাফম অদু মতিক চারব্রা হায়দুনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নীংই। কম্ম্যুনিতি হোল, লৈকায়গী মান্দব, অহাঙবা লম্পাক্লচিংবা নক্লা লৈরবসু নাকোয়নরম্লগা লম্বী মপান্দা লৈবা থোঙ্গালদগী থোরক্লগা লম্বী হেক্তমক থিংজিল্লগা তঙাইফদবনি হায়দুনা থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদদি অয়াবা পীদবনা চুমগনি। অমরোমদা লুহোং-খোঙদোংবগী থৌরম অসিসু মীওই অনীগী পূন্সি-লৈপুল শেম্বগী থৌরম ওইবনা লম্বী-সরক্তা হেক্তমক পাঙথোকপদা থাজনবী মতুংইন্না করি লৈবগে হায়বদুসু য়েংবা চুমগনি। শোরাৎ ওইরগনা লৈখিদবা মীওই অদুগী থৱায়না ঈংন-চিক্লা লৈরুনবগীদমক অরোইবা লাইশোন-তীলশোন পাঙথোকপগী থবকসিসু লম্বীদা হেক্তমক তৌশিনবদা চুনব্রা হায়বদুসু পাঙথোকপীরিবা পূম্নমক্লা য়েংহন্নীংই।

## ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ ꯂꯨꯍꯣꯡꯕꯥ, ꯁꯣꯔꯥꯠ ꯁꯣꯅꯕꯥ

### ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕꯥ ꯊꯧꯔꯝꯁꯤꯡꯅꯤ, ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯁꯨ ꯈꯂꯍꯟꯅꯤꯡꯏ

## লান লোইশিনবা য়াদ্রিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করি পোলিসি লৈবননো?

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

ফাগি-ফাগিদগী হায়বা য়াই, ইথা-থাজদনা কুকিশিংগী লানসি হৌজিক ফাওবদা লোইশিনবা য়াদনা লৈরক্লি। থৌদৌসি মনুংদা অচৌবা মরম অমদি শোয়দনমক্কী লৈরমগদ্রা খল্লি। মসিমক নৎত্রবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নহান্না কাঙলূপ অনীমক্তা ৱাফম কয়ামুক হায়রক্লমফম থোকই। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুরগী মীতৈশিংনা তরাই-তরাইনা লৌবগী থবক্তি তশেংনা ফৎরক্কনি নীংদে। য়াম্না শেংনা হায়রবদা, কুকিশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংগী মথক্তা ফম্না কন্না লান হৌরক্তুনসু মীতৈশিংনা কুকিশিংবু ইরমদমসিদা হান্না পূন্না মচিল-মনাওগুম লৈমিন্নরকখিবগী ৱাখল্লোন্দু কাউথোকপা ইঙম-ঙমদবগী থৌদৌসু উবা য়াওনরি। কুকিশিংগী লান তশেং-তশেংনা পুঙতোপ-তোপ্পা লৈবাক অমগী য়েক্নবা কাঙলূপ অমনা মণিপুরদা লান্দারকপদুমক লুনা খন্থরুন্দবা মীতৈশিংসু য়াওরল্লোইদবা নত্তে। মীতৈশিংনা ফম্না ওইদুনসু কুকিশিংবু খরা লায়থোক্লা অমদি কোমথোক্লা অদুম্মক লৌনরি। থৌদৌসিনা তাক্লিবসি তশেংনা মীতৈ হায়বা ফূরুপসি মবুক য়াম্না ফবা ফূরুপনি হায়বসিনি। অদুবু কুকি লোইনমক্লা নৎত্রবসু অয়াম্বনা হৌজিক মীতৈদা খল্লিবা ৱাখল্লোনসিদি মীতৈশিংনা কুকিশিংদা খনবদুগা চান্মদা চান্মমক খেন্নরি। অসুম্না মীতৈশিংনা ফদোক্লা খন্দোক্লবদগী কায়নথংদদি মীতৈশিং মথন্তা অমম্বা লোক্লুংদা তাশিল্লবা মতুং ফম্না কন্না হোৎনদুনসু অঙানবা মফম য়ৌনা কাখৎলক্নবগী পান্থৈ লৈত্রবা মীশক অমা হায়বদু নোংমা শোয়দনা ওইরকপসু য়াই। ওইরক্তবদি ওইসনু, অদুবু ওইরক্লবদি হায়বগী ৱাখল্লোনসিদা মীতৈশিংনা কৈদৌহৌসিগে হায়বদু হৌজিক মাঙজৌননা খলহৌবনদি চুমগনি। অপীকপা মীওই ফূরুপ অমগী পূন্সি ৱারী মতম পূম্বদা খক তম্বা ঙম্বা ওইদে। খন্নহৌবনা ফগানি।

মণিপুরদা কুকি কাঙলূপ অমদি মীতৈ ফূরুপ অনীগী থা তরেৎ ফাজিল্লক্কদৌরবা ঈরাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা কুকি কাঙলূপ্তা নৎত্রগা মীতৈ ফূরুপ্তা নৎত্রগা কাঙলূপ অনীমক্তা থোক্লিবা ঈরাংসিগা মরী লৈননা করিগুম্বা ৱাহে অমা ফাওবা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি। হায়রিবা কাঙলূপ-ফূরুপ অনীমকসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদদি অতোপ্পা কনাসু অমত্তা নত্তে, অনীমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শুপ্নগী ষ্টেট অমখক্তদা পূন্না লৈমিন্নরিবা কাঙলূপশিং ঙাক্তনি। হৌজিক মণিপুরদা নোংম-নোংমগী ওইরক্লিবা কুকি কাঙলূপ অমদি মীতৈ ফূরুপ অনীমক্কী ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অপূনবগী মপূ অমা ওইনা নৎত্রগা মপী-মপা অমা ওইনা তঙাইমক ফদনা ৱাহে খরদংদা ওইরসু ফোঙদোক্লকফমদি থোকই। অদুবু লাইবক থীবদি হৌজিক মণিপুরদা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা তারক্লিবা লানসিনা থা তরুক হেঞ্জিল্লক্তুনা তরেৎ য়ৌশিল্লক্কদৌরসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ারিবমখৈ খঙশিন-উশিন্নররোই মতাগুম শুপ্নগী ৱাহে মচেৎ অমা ফাওবা ফোঙদোক্তনা তূমিন্না খাঙদুনা লৈশিল্লি। থৌদৌসিগী ৱাহন্থোক করি ওইবা য়াই? চুম্না মচা-মনাওশিং ঙাক্তনি হায়না লৌরগদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নহান্না অনীমক ৱারক-ৱাতেম্বীরম্ফম থোক্তব্রা? ফীভমসি মুন্না খঞ্জিল্লুবদা তশেংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মনুংদা করিগুম্বা অরোনবা এজেন্দা অমদি শোয়দনা লৈরব্রা হায়বগী ৱাহংসি পূক্লিংদা হংনীংবা ফাওরকই। হীরমসিদা মীতৈশিংনা নোংম-নোংমগী চিংননীংঙাই ওইবগী চাংসু হেনগৎলক্তবা নত্তে। ফীভমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিসি অমসু ওইরমসনু নৎত্রগা কুকিশিংগী লাংলোন অমসু ওইসনু, হন্দক্কী মতাংসিদদি মীতৈশিংনা মায়কৈ খুদিংমক্তা অচুম্বা থিদোক্লবা খোঙথাংশিং থাংজিন্দনা তূমিন্না খক লৈথোকফম থোক্তে।

চাইনা লানগীদমক খল্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ম্যান্মারবু খুদুম চনশিন্নবা অরোনবা থৌরাংগী ৱাখল্লোন লৈব্রা? ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক লৈহনগনি হায়দুনা লালহৌরিবা ম্যান্মারগী কাঙলূপশিংদা ময়ূম লমদম ময়েক শেংনা লৈজদবা কুকিশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লান য়াওশিলহল্লগা মখোয়গীসু শরুক ফংহল্লবা মতুং ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগা নকশিন্ননবা হোৎনগে নীংলিব্রা? ফীভমসিদগী মরৈবাক-মরমদমগী ৱাখল ফাওরক্লবা চিন কুকিশিংনা মণিপুরগী কুকিশিংদা তোংশিন্দুনা মখোয়গী তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেসন তান্নবগীদমক মণিপুরদা কুকিশিংগী লান মীতৈশিংদা হৌহল্লিব্রা? ওইরমদবদি য়াই অদুবু ফীভম্নদি খলহল্লকই। অদুম ওইনমক মণিপুরগী মীতৈশিংনা হন্দক্কী মতাংসিদা কনাদা করি লাল্লুবগীদমক কুকিশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংগী মথক্তা লান তারক্লিবনো হায়বসিমদি চপ চাবা মরম খঙদোকপা ঙমদ্রি। হৌজিক্কী ওইনদি মণিপুরগী মীতৈশিং চমম্নরি, লৈখায়সু তাবা ঙমদ্রি। মথক্কী মরমশিংসি নৎত্রগসু মণিপুরগী সী এমগী ‘ৱার ওন দ্রগস’ কী লানফমশিংদা মথং-মথং মায়থীবা ফংলক্লবা কুকিশিংনা শাউনীংবদগী মণিপুরগী মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা ওইনা তাইনবগুম হন্দক্কী কুকিশিংগী লানসি মীতৈশিংগী মথক্তা হৌরক্লিব্রা? পূম্নমকসি নৎত্রগনা হন্দক মণিপুরদা মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওঞ্জগে হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌরুবগী ৱাফমদা কুকিশিংনা য়ানীংদবা উৎপা ওইনা মীতৈশিংগী মথক্তা লান চখরক্লিব্রা? মসিমদি ওইথোক্কনিদি থাজদে। অদুবু মপাঙ-মপাঙ ওইনরিব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙম্বা নত্তে। তশেংনমক্কীদি লান হৌরগা লান হৌরিবদুগী মরম, হৌরিবা মখোয়না ময়েক শেংনা লাউথোকপা ঙমদবা হায়বসি লান হৌরিবা কুকিশিংগী অশোনবনি। কুকিশিংনা থৌদৌসি মখোয়গী অশোনবা ওইগনি হায়বসি মশানা য়ানীংফম থোকই।

পূম্নমকসি থম্লগা, হন্দক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী কুকিশিংগী লানগী মরমসিদা মণিপুরদা ৱাহে অমা ফাওবা হায়রক্তবসি মনুংদা করিনো অমদি শোয়দনা লৈরম্ফম থোকই। লান তারক্লিবসি কুকিশিংননি, কুকিশিংনা চীংথক্তগী চীংখারোমদা কাপথরকপনি অদুগা মীতৈশিংনা চীংখাদগী চীংথক্লোমদা কাপখৎপনি। মীতৈশিংনা কুকিশিংগী লান কয়াদা ৱানা মায়োক্নরিবা? পূম্নমকসি য়েংলগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী মরমদা করি খনবীরিবনো হায়বসি হংদবা খক ঙম্লক্তে। কনাদসু লাল্লুদবা মীতৈশিংদা করিগীদমক কুকিশিংনা লান তারক্লিবনো হায়বসিসু খনবা লেপ্পা নৎত্রি। কুকিশিংগী থৌদৌসি মীতৈশিংনা কৈদৌঙৈদসু খক য়ানীংফম থোক্তে। ‘ইচা শুমগে নচা লৌথোকউ’ হায়বা ৱাফমসি মালেমসিদা কন্নামত্তনা য়ানীংলোই। মণিপুরগী মীতৈশিং হৌজিক পীকখ্রবা তম্পাক লমদম মচেৎ অসিদা নোংম-নোংমগী লৈফম চন্নরক্তবগী ৱাথোক ওইবা হেনগৎলক্লিবনি। ফীভমশিংসি য়েংলগা মীতৈশিংনা কৈদৌঙৈদসু খক চীংগী লমনি হায়রগসু মণিপুরদগী মরম চাদনা মীঙোন্দা লম হেক্তা পীথোক্লীংগদ্রা? মমাঙঙৈদা পঙলম্লবসু হৌজিক্কী মতমসিদদি মালেমসিদা অপঙবা মী মফম অমত্তদসু খক লৈত্রবনি। মণিপুরগী মীতৈশিংসু থায়না পঙলম্লবসু হৌজিক্তি পঙদ্রে। ইচাশিংগী শুম্ফম মীঙোন্দা লেম্না খক পীথোক্লরোই। মণিপুরসি য়াম্না পীকই হায়বসি হায়শিন্নবা নত্তে। পূম্নমকসি মপূ ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খন্থহন্নীংবা ফাওই। করি ৱাখল খনবীরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হন্দক্কী কুকিশিংনা মীতৈশিংদা তারকপা লান্দাসিদা তূমিন্না লৈথোকপীরিবনো? ৱাহংসি খক্তনি মপূং ওইনা হংনীংলিবসি। হৌজিক মণিপুরদা মীতৈশিং তংদু লৈতানা হিংবগী মওং লৈত্রি। মণিপুরগী মীতৈশিংসু মায়কৈ অমরোমদা মীগা মীমান্ননা হিংনীংই, হিংবদা ঈং-তপ্পা হিংবা ঙম্বা হায়বদুসু ওইনীংই। মীতৈশিংনা কৈদৌঙৈদসু খক মীগী মীখা পোন্নীংদে অমসুং মীঙোন্দসু লান্নীংদে। পূম্নমকসি খঙবীরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা কুকিশিংনা হৌরকপা লানসি মখা তাথনদ্রিঙৈদা খামজিলহন্নীংই।

লৈবাক অমগী লৈঙাক মপূ ওইবা হায়বসি শোয়দনা ৱাখল খরদি খন্থবা চঙই হায়বসি মীচম-মীয়াম্নদি হান্নদগী হৌনা ময়েক শেংনা খঙদুনা লাকই। তৌইগুম্বসুং মতমসিগী ময়াদা মৈ হৌরবা গ্রেট পোলিটিসিয়নশিংনদি খঙলবসু খঙশিন্নদ্রিবরা, খঙদবগুম ইতৌ তৌই। হৌজিক্কালগী পোলিটিসিয়নশিংনা লৈঙাক পায়বদা মীয়াম্না পেন্নদ্রিবসি লৈবাক্তুগী মনুংদা লৈবা মীপূম খুদিংমকপু মখোয়না চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙমদবসিনি। কোস্মোপোলিটান সিটিশিংদা য়েংবা মীৎয়েংশিংদু হৌজিক্কালগী লৈঙাকপা পোলিটিসিয়নশিংনা খুঙ্গংগী লমদমশিংদসু চপ মান্ননা য়েংবীবা খক ওইথোক্ত্রি। মখোয়না মীওইবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা খেন্ননা য়েংবগী চৎনবীশিং তত্তনা হৌদোকই। মখোয় মশেলগী মরক্তা অমদগী অমদসু শন্দোক্লে অমসুং অমনা অমদসু তম্বীনৈ। মখোয়না কৈদৌঙৈদসু খক লৈবাক অমগী নৎত্রগা খুন্নাই অমগী অপূনবগী থাক্তা ফীভম চাদনা তোল্লবা মীওই কাঙলূপশিংবু অচুম্বা থৌদৌনা অচুম্বা লম্বীশিংদা তেংবাঙবীবগী থবকশিং পাঙথোকপীদ্রি। মদুগী মহুত্তা ‘নঙ লায়রৈ, তোল্লি, ইনাক খুন্নবা মীঙোন্দগী হুরাল্লুচো নৎত্রগা মীগী মপোৎ-মরলশিং মুল্লুচো নৎত্রগনা লান তৌশিল্লু’ হায়দুনা ইনশিনবীবদি করিগুম্বা কান্দা হেক-হেক থেংনৈ। থৌদৌশিংসিদি কৈদৌঙৈদসু খক তোল্ল-তারবা, লায়রবা নৎত্রগা মতু শোনবা কাঙবুশিংবু মখোয়না তেংবাঙবীবনি হায়না লৌবা য়ারোই। ●

## ৱাগী শিন্নাইশঙদা ‘সনাহল’

### (মিরেল অমদি মিরেল পোলাং-৪)

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

**মিরেল পোলাং শাবা :** মীরেল পোলাং শাগদৌরিবা পয়া অসি অকক্নবা ৱা মখল খরগী পয়া ওইগদবনি। ৱা মখলশিং অদুদি মরু ওইনা ‘উতং’ হায়রিবা মখল অসিনি। মসিগী মহুৎ শিনবা য়ারিবা অসিনা ‘উনান’ হায়রিবা ৱা মখল অসিনি। করিগুম্বা মতমদা মিরেল পোলাং শাবিয়ু হায়না লাক্লিবশিংনা মখল অনীসিগী মনুংদা মখোয়না পামজবা ৱা খল্লম্বসু য়াওই। হায়রিবা ৱা মখল অনী অসিদগী অমা খল্লগা মিরেল পোলাং অসিবু শানবগীদমক্তা ৱা য়ানগদবা মতম অসিসু অকক্নবা মতম লৈরি। অয়াম্বনা নবেম্বর থাদগী জন্যুৱারী থা (মেরা-লাংবন) অসিগী মনুংদা য়ান্নে। ৱা য়ানবা নুমিৎসু তিনচা-লাইচা ফবা নুমিৎ থবান য়েংদুনা য়ান্নে। অহল-লমন খরগী মত মতুংইন্নদি অসুম্না লাইগী থবক-থৌরমগা মরী লৈননা উ-ৱা য়ানবসিদি য়ানগদৌরিবা উপাল-ৱাপাল অদুগী মখোঙদা মৈরা-মৈখু, হৈ-লৈনচিংবা কৎপগা লোয়ননা হকচাং শেংদোক্লগা (ঈরু-শাদেংলগা) অযুক্তা নুমিৎলোমদা মায় ওনশিন্দুনা য়ান্নে। য়াল্লিবা মী অদুগী মমি ননবা ফত্তে হায়নবসু লৈ। মতাং অসিদা নীংশিংহৌবা য়াবা ৱাফম অমনা ৱা য়ানগদৌরিবা অমদি মিরেন পোলাং শাগদৌরিবা ইমুং অদুগা নৎত্রগা মহাক্কী শাগৈ-নাতৈদা মীশি-মীনা, চাবোক-নাওশোন য়াওদুনা য়ূম মাঙলিঙৈ মনুংদদি থবক অসি পাঙথোক্লদে।



মতৌ অসুম্না য়াল্লবা ৱাপাল অদু ৱাপলদগী চিংথোরক্লগা মনা-মশা হিদোক্তুনা শীজিন্নবা য়াবা শরুকশিং কক্লগা পাৎ, পূখ্রি, খোংবালনচিংবদা ঈতীংগনি। ঈশিংদা ৱা তীংবসু ঈশিংগী লাইরেম্মা (ঈরৈমা) দা খূৎনাইবা অদুনা দরকার ওইবগী মতুংইন্না অকক্নবা নুমিৎ মশীং হায়জরগা তীংবগী চৎনবীসু লৈরি। হায়রিবশিং অসি পাঙথোক্তনা ইচম চম্না তীংবা তারবসু য়ামদ্রবদা নুমিৎ তরামঙানি হায়বদি থা মখায় অমদগী তাদনা তীংবদি অহল-লমনশিংগী হাক্তক্তগী চৎনরকই। হৌজিক্তি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না বোরিক-বোরাক্স হায়রিবা কেমিকেল অসি য়ানশিল্লবা ঈশিংদা তীংবসু য়াই হায়রি। মসিদা তীংলগদি শুপ্নগী নুমিৎ তরানিখক্তমক তীংলগা য়ারে। অসুম্না ৱাবু তীংলিবগী মরু ওইবা মরমদি মদুনা পয়া শিদুনা শাবা পোৎলমশিং অদু কুইনা লীদুনা থম্বা মতমদা শুম-তাও চারক্তনবনি।

অসুম্না তীংথোক্লবা ৱা অদু লৌখৎলগা তঙ্খায় খায়বসিসু ৱাগী মপা য়েংদুনা খায়নৈ, খায়নীংবা মওংদা হেক্তা খায়নদে। মতুংদা মশুং তানা খায়দোক্লগা পয়া শিবা য়ানবা মকক কত্তুনা মশুং তাথোক্লগা মকক মকক ককই। অয়াম্বা মতমদা মতাং অনীগী চাংদা কক্লে। মদুবু অমুক পয়া শিবা য়ানবা পিকথনা খায়দোক-ইৎথোকই। থৌদৌ অসিবুনা হঙ্গেলতাউ ঈৎপা হায়নসু খঙনৈ। পয়া শিবসিসু কবুক-কনম লৌবা অমদি চেপশি হায়না মখল অনী লৈ। মিরেল পোলাং শানবগীদমক শিরবা পয়া খূশি অসি কবুক-কনম লৌবগী পয়া খূৎশি অসিনি। শাবদা শীজিন্নবনা কনমগী শরুক অসিনি। করিগুম্বা চেপসি পয়ানা শাবসু অদুমক য়াওই। পয়া শিবা লোইরগা শাবা হৌবসিসু ইচম-চম্না হেক্তা হৌনদে। শাগদৌরিবা আর্টিসান (ক্রাফ পার্সন) অদু ঈরু-শাদেংলবা মতুংদা শুদোক-চামথোক্লবা ফিশেং শেৎলি। মতুংদা শিনশং অদুগী মতা চাবা মফম অমদা ৱাই-রম তৈথোক-শেংদোক্লগা শাবদা চঙগদবা পয়া অমদি খূৎশু-খূৎলায়নচিংবশিং শেংদোক্লগা থম্নে। লোয়ননা হৈরুক-হৈরা, মৈরা-মৈখুনচিংবা থারগা কৌব্রুদা শাগদৌরিবা পোৎশক অসিদা অশোয়-অঙাম থোকহনবীদনবা অমদি থৱায় হাপ্পীনবা আর্টিসান অদুনা থৌনিদুনা খুরুম্লবা মতুংদা শাবা হৌই। হায়রিবা পোলাং মখল অসি শাবদা শীজিন্নরিবা লোনবগী পরম অমদি থোক্লিবা ময়েক অসিবুনা ‘য়েম্পাক পরম’ হায়না খঙনৈ। মসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা পরমদা লোন্দুনা থোকহন্নীংবা ময়েক থোকহন্দুনা শাবা চৎনরক্তে, শানদে। মতৌ অসুম্না শাবা হৌখ্রবা মতুং মপূং ফাদ্রিবা পোৎশক অদু অঙাং-নুপীনা শোক্তনবা অৱাংবা মফমদা থাঙ্গৎতুনা থম্নে। শম্না হায়রবদা অমাঙ-অশেং ঙাক্লা থম্মী, শম-শা তৌদুনা অমনা-অমনা তাপ-তাপ পায়হন্নদে। ৱাইশিৎ-লমশেংবদা শুমজিৎনচিংবনা শোক্তনবা চেকশিন্না হোৎনৈ। শারিঙৈ মনুংদা য়ুম্মাং-কৈমাং য়াওরক্লবদি শাবা লেপ্পী। ●

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’

### (নিংথৌরোল লম্বুবা)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

খাঙতপ ৱাইনা হৌবদা চাকতাবা। পোংনু মচন কুরাওতাউবীনা। শাইওলখিবা চেকলা। উরাপোংমতুচেক। থৌবাল উপোঙ পোঙলাং মমৈগুম। শাৱা চেকলা উচেক। উপোঙ কৌবা চেকলা মৈতোলগুম। লেক লেক হাইথনা। মিৎলম মিৎশুমবা শাকপানথোং। মৈদিংঙু লাইরেল উরাকোনথৌবদি। মাইকৈ অৱাং পাংবা লম। নাকা তুরেল ঈহৌফম ঈ মরুদা। লালদা খৌশাবনে। ময়ুম শেললোই লংমাই হৌনা। থাঙঙা য়ৌখাল লালদাগে। খুলফম ঙাংজেং নৈখাইগে। হাওকপ চীশাং থেংনা লোইচলগে। শেললোই পুমনা হুপ। হুইরিল থৎনা লংমাই হুপনা। লালদা খোঙশাললকপদা। মৈদিংঙুগী মনাই অথোইবা। নোংপাল কাদেম শোইশেনবা। ঙাফা শোইপানবনা। তোংজেং ঙাফা খাপৈ পুঙদা। শোইথীঙ লৈমা। লৈমা লৌকরাংবী কংদবী ঙাপৈথেল। থংনা তাইননা। য়ামল খোংফৈ চীরোল চল মোংহাদা। শীংঙুৎ নাচুং য়ৈনা। য়ুংনা খল। খরাই চাংদোল খলনা। লুফুই নামলুথুমবদা। ময়ুম শেললোই মথৌনা উৎনা। লংমাই নিলদুম নিলনা হৌববু। অকি পুকনিং চংলবকি। নোংপাল কাদেম শোইশেলবদি। মতাৎ মরৌ লৌশিং তৌনা। লেমলৈ ঙাপুমবা। মহকচাংদা তৈশিনজ। পায়মা মনিংশা থিং। নাশোল খকনা হোল। অশিবা শানা লৈখিয়ে। ময়ুম শেললোই লংমাইনা। শমু মখূৎদোলনা নমনা নমনা। তানা তানা য়েংলময়ে। ময়ুম শেললোই লমদা মিংকৌনা। লংমাই লমগী মীনা। ৱাহায় তেংথানবদি। অশিববু অতোৎপা ও মিংকৌনৈয়ে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

### (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ)